# হিমন্ত বিস্ব সর্মাগী কেবিনেটনা ফিরেপ কয়া লৌখ্রে

গুৱাহাটি, মে ২৬ (এজেন্সী):

দিসপুরদা ঙসি অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ষ্টেট অদুগী ওইনা তোঙান তোঙনবা ফিরেপ কয়া লৌখ্রে।

ঙসি ফমখিবা সর্মানা লুচিংবা কেবিনেট অদুনা বোদোলেন্দ টেরিটোরিয়েল রিজনগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক বোদোলেন্দ ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট অমসুং বোদোলেন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টাফ কোলেজ লিংনবা ফিরেপ লৌখ্রে।

ষ্টেট কেবিনেট অদুনা কুসাল কোনৱার ব্রিধা পেন্সন স্কিম অমসুং ইন্দিরা মিরি ৱিদো পেন্সন স্কিমগী ফন্দশিং থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা পেন্সনরশিংনা স্কিম অসিদগী অহেনবা খুদোংচাবশিং লৌবা য়ানবা অমদি পেন্সন লৌবা মতমদা অরাইবা মওংদা লৌথোক্লবা অনৌবা সিষ্টেমশিং প্রোপোজ তৌখিবগা লোয়ননা য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রে।

ঙসি ফমখিবা মীফম অদুনা কুসল কোনৱার সরবজানিন ব্রিধা পেন্সন অচোনিগী বেনিফিসরি লাক্ষ ১৩ গী ফন্দ থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে। দিন দয়াল দিবিয়াং য়োজনাগী বিনিফিসরি ১,৬০,০০০ অমদি ইন্দিরা মিলি য়ুনভর্সেল ৱিদো পেন্সন স্কিমগী বিনিফিসরি ১,৭০,০০০ গী ফন্দ থাদোক্লবা ফিরেপসু লৌখ্রে।

অমরোমদা ঙসি ফমখিবা মীফম অদুনা গোসাইগাও কন্সটিট্যুয়েন্সিদা টার্ম মরিরক এম এল এ ওইনা কারমখ্রবা মজেন্দ্রা নর্জরিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অদুদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখি হায়রি।



বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ মীতৈনা লুচিংদুনা য়াইঙংপোকপীদা লৈবা চীং তম হায় স্কুলদা হাংবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্তরগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি থক্লবা ঈশিং মতেং পীখিবা

# মিজোরামদা অসাম রাইফলসকী ক্রুপরশিংনা গন পাউদর কেজি ১৩৬ অমসুং মরী লৈনবা মীওই অমা ফারে

আইজোল, মে ২৬ (এজেন্সী):

আসাম রাইফলস অমসুং মিজোরাম পুসিলকী অপুনবা টিম অমনা চথখিবা ওপরেসন অমদা গন পাউদর কেজি ১৩৬ ফাখ্রে।



অককবা থাজবা য়াবা পাউ অমা পীরকপদগী চথখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা গন পাউদর ফাবা ঙমখিবা অসিনা শাথিবা খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লম্বা য়াবদগী কল্লে হায়না অসাম রাইফলসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

গন পাউদর কনসাইনমেন্ট অদু অসাম রাইফলসকী লুংলৈ বটালিয়ননা মিজোরামগী ভাসৈকাই ভিলেজগী লোংপুংঘাটতগী রিকোভর তৌখিবনি। এ আরগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, স্মাগলরগী এক্তিভিটিশিংগী মায়োক্তা চথরকপা খোঙজংগী মায় পাকপা খোঙথাং অমদা হেদ ক্বার্টরস ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস (ইষ্ট) কী মীৎয়েং মখাদা ২৩ সেক্তর অসাম রাইফলসকী লুংলৈ বটালিয়ননা মে ২৫ দা মিজোরামগী বাসিকাই ভিলেজতা লৈবা লোংপুংঘাট কৌবা মফমদগী অমদা য়াম্লবা গন পাউদর কেজি ১৩৬ রিকোভর তৌখি।

ওপরেসন অদু এ আর অমসুং মিজোরাম পুলিসনা পুন্না চথখিবনি। য়াম্লবা গন পাউদর ফাবগা মরী লৈননা মীওই অমসু এ আরগী ক্রুপরশিংনা ফারে। ফারবা মীওই অদু মখা তাবা লিগেল প্রোসিদিংসকীদমক্তা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা বাসেকাই পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

# হোক্কর এসোসিয়েসন্না পেন্সন দিমান্দ তৌখ্রে

তিনসুকিয়া, মে ২৬ (এজেন্সী):

অয়ুক্কী মতমদা খুদোংচাদবা খুদিংমক মায়োক্লদুনা নুমিৎ খুদিংগী লেপ্পুনা পাউ চেশিং মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাক্লিবা সিনিয়র হোক্করশিংদা পেন্সন পীবিনবা তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজ পেপর হোক্করস এসোসিয়েসন (টি দি এন পি ঐচ এ) না দিমান্দ তৌখ্রে।

চেরোল অমদা টি দি এন পি ঐচ এগী প্রসিদেন্ট বিধান দাসনা হায়, গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ওইনা খুন্নাইগী অৱা অনাগী চৈথেং নংলিবশিংদা পেন্সনগী খুদোংচাবা পীখ্রে। তৌইগুম্বসুং মীয়ামদা পাউ চে ফংহন্দুনা ঈ পাউ শন্দোক্লিবা হোক্করশিংদি তুং কোয়না হিংবা য়ানবগী থৌরাং লৌখৎবা তৌদে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মাদা চহী ৬০ য়ৌরবা সেনিয়র হোক্করশিংদা পেন্সন পীবিনবা তকশিনখি। গভর্ণমেন্টনা হৃদত্তা জর্নেলিষ্টশিংগী পেন্সন লুপা লীশিং ৮ দগী লুপা লীশিং ১০ হেনগৎখ্রবনি হায়নসু দাসনা পনখি। অহল ওইরবা হোক্কর কয়া হৌজিক শেন থুমগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# এম এল এ অমা কোভিদ-১৯ কমপ্লিকেসনদগী লৈখিদ্রে

গুৱাহাটি, মে ২৬ (এজেন্সী):

অসামগী গোসাইগাউন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কাবা বোদোলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (বি পি এফ) কী এম এল এ মজেন্দ্র নচারি কোভিদ-১৯ দগী ফৱবা মতুংদা লাকপা লায়না অসিগী কমপ্লিকেসন্না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

মহাক য়ুমশকৈশাগী অয়ুক্তা গুৱাহাটি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। হোস্পিটাল অসিদা মহাক ভেন্টিলেসন সপোর্ট পীদুনা থম্লকপনি। লৈখিদ্রবা এম এল এ অসি চহী ৬৮ শুখ্রে।

অমরোমদা অপ্পর অসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মোহখুলি মোদেল হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অমা মশা মথন্তা শিজখ্রে। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৬০ শুরবা টি গার্দেন অমদা থবক তৌবা মীওই অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী মে ২২ দা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা হোস্পিটাল অসিদা এদমিট তৌখিবনি। য়ুমশকৈশাগী অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা হোস্পিটালগী ষ্টাফ অমনা মহাক থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বা থেংনখিবনি।

# লিক্কিদ মেদিকেল ওক্সিজেন পুবা অনীশুবা ওক্সিজেন এক্সপ্রেস অসামদা ঙরাং থুংলখ্রে

গুৱাহাটি, মে ২৬ (এজেন্সী):

লিক্কিদ মেদিকেল ওক্সিজেন (এল এম ও) মেত্রিন টন ৮০ পুদুনা লাকখিবা অনীশুবা ওক্সিজেন এক্সপ্রেস ঙসি অসামদা থুংলখ্রে হায়না নোর্থ ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর) না ফোঙদোরক্লি।

এন এফ আরনা ফোঙদোকখিবদা মে ২৫ গী অয়ুক্তগী অনীশুবা ওক্সিজেন এক্সপ্রেস ত্রেন অদু ঝরখন্দগী টাটানগরদগী অসামগীদমক খোঙশানখিবনি। ত্রেন অদুদা পুন্না কন্তেনর ৪ য়াওই। অসামদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দারকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী হোস্পিটালদা ওক্সিজেনগী প্রোব্লেম লৈহন্দনবা মচাকশিং অসি লৌরুবনি।

হৌখিবা মে ২৩ দসু অসামদা মেত্রিন টন ৮০ গী এল এম ও পুবা অহানবা ওক্সিজেন এক্সপ্রেস থুংলখিবনি। মখা তানা এল এম ওশিং পুরক্লবগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা খন্নরি হায়না এন এফ আরগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।


অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪ দা অসামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫,৬৯৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৯০ শিহনখি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ত্বিটরগী খূত্থাংদা ফোঙদোরক্লি।



মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা পুন্না সেম্পল ১,১৬,১১৯ টেষ্ট তৌনবগীদমক কলেক্ত তৌখি। মদুগী মনুংদা ৫,৬৯৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরকখিবনি। ঙসি থেংনখিবা অপূনবা কেস মশীং অসিগী মনুংদা ৬৭০ দি কামরুপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি।

ঙসি নৌনা থেংনখিবা কেস মশীং অসি থারগা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ৩,৬৯,১৮৩ য়ৌখ্রে মদুগী মনুংদা ৩,১৩,৩৩৩ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। লমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস মশীংনা ৫১,৭৬৪ ওইরি। অদুগা লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা অপূনবা মশীং ২,৭৩৯ য়ৌখ্রে।

# CROSSWORD-3792



**ACROSS**

1 Tug (4)
3 Charming, lovely (8)
9 Even, consistent (7)
10 Value (5)
11 Environment-friendly (5)
12 Story in instalments (6)
14 Seal (6)
16 Immediately (2,4)
19 Mark made by folding (6)
21 Implicitly understood (5)
24 Arrive at (5)
25 Tire out or use up (7)
26 Abroad (8)
27 Be afraid (4)

**DOWN**

1 Least advanced in age (8)
2 Sound (5)
4 Figured material (6)
5 Oarsman (5)
6 Good buy (7)
7 Reflected sound (4)
8 Sitting room (6)
13 One who makes a will (8)
15 Rubbish (7)
17 Irritable (6)
18 Monetary unit of Spain (6)
20 Continuing pains (5)
22 Waterfall slide (5)
23 Threesome (4)

**Solution 3791**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | E | C | A | M | P | S | | V | I | S | T | A |
| I | | A | | E | | Y | | I | | T | | M |
| P | O | U | N | D | | R | E | V | E | R | S | E |
| L | | S | | D | | U | | I | | E | | N |
| O | V | E | R | L | A | P | | D | A | T | E | D |
| M | | | | E | | Y | | | | C | | |
| A | T | T | I | R | E | | U | P | S | H | O | T |
| | | H | | | | Y | | R | | | | I |
| B | R | E | A | K | | E | L | E | C | T | E | D |
| A | | R | | N | | L | | L | | R | | D |
| S | P | A | N | I | E | L | | U | S | U | A | L |
| I | | P | | F | | O | | D | | N | | E |
| C | L | Y | D | E | | W | R | E | C | K | E | R |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3591**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 1 | 4 | | | |
| | 4 | | | 5 | | 6 | | |
| | 7 | | 9 | 2 | | 3 | | |
| | 2 | 4 | | | 7 | | | |
| 8 | | | | | | | | 4 |
| | | | 4 | | | 9 | 5 | |
| | | 2 | | 6 | 3 | | 8 | |
| | | 1 | | 4 | | | 7 | |
| | | | 2 | 7 | | | 3 | |

**Solution-3590**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 8 | 2 | 7 | 3 | 4 | 5 | 1 | 6 |
| 6 | 5 | 7 | 1 | 8 | 2 | 9 | 4 | 3 |
| 3 | 4 | 1 | 5 | 9 | 6 | 2 | 8 | 7 |
| 5 | 6 | 8 | 3 | 4 | 9 | 7 | 2 | 1 |
| 2 | 1 | 4 | 6 | 7 | 5 | 8 | 3 | 9 |
| 7 | 3 | 9 | 8 | 2 | 1 | 6 | 5 | 4 |
| 4 | 2 | 5 | 9 | 1 | 7 | 3 | 6 | 8 |
| 8 | 9 | 6 | 4 | 5 | 3 | 1 | 7 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 2 | 6 | 8 | 4 | 9 | 5 |

# EMPLOYMENT NEWS

Tamilnadu Government Judicial Department has published recruitment notification for filling up 3557 vacancies of Office Assistant / Copyist Attender / Scavenger/ Sweeper/ Sanitary Worker/ Masalchi/ Sweeper/ Gardener/ Watchman/ Scavenger/Waterman & Water women/ Night watchman-cum-Masalchi/ Watchman-cum-Masalchi/ Night watchman/ Sweeper cum Cleaner/ Office Assistant cum full time Watchman posts for various Tamil Nadu Judicial Courts. Eligible Interested candidates apply online through jrchcm.onlineregistrationform.org portal on or before 6th June 2021.

Name of the Post
Total Vacancies
Office Assistant
1912
Watchman
496
Masalchi
485
Sweeper
214
Night Watchman
186
Sanitary Worker
110
Night Watchman cum Masalchi
123
Gardner
28
Copyist Attender
03
Age Limit: (As on 01/07/2021)
18 - 30 years for General (UR)
18 - 32 years for BC / MBC
18 - 35 years for SC / ST
Vacancy Districts: Ariyalur, Chennai, Coimbatore, Cuddalore, Dharmapuri, Dindigul, Erode, Kancheepuram (including Chengalpattu district), Kanniyakumari, Karur, Krishnagiri, Madurai, Nagapattinam (including Mayiladuthurai district), Namakkal, Perambalur, Pudukkottai, Ramanathapuram, Salem, Sivagangai, Thanjavur, The Nilgiris, Theni, Tirunelveli (including Tenkasi district), Tiruvallur, Tiruvarur, Thoothukudi, Tiruchirappalli, Tiruppur, Tiruvannamalai, Vellore (including Ranipet & Tirupattur districts), Villupuram (including Kallakurichi district) and Virudhunagar.
Pay Scale / Monthly Remuneration: Level – 1 ? 15,700 – 50,000
Educational Qualifications:
Office Assistant and Copyist Attender: Minimum VIII standard Pass. Matric also eligible.
For all other posts: To able to Read and Write Tamil Language. No minimum educational qualification.
Selection Process:
Written Test
Interview
Application Fee:
500/- for General / OBC / MBC category candidates.
No fee for SC / ST category candidates.
How to Apply: Eligible candidates should apply online only. Applications submitted through jrchcm.onlineregistrationform.org or concerned district court official website. The candidates are advised to make use of Only Desktop or Laptop to apply for the posts online and not to apply through smart phone or tab. The last date for registration of online applications is 06/06/2021.

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 ? 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 ? 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 ? 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 ? 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

